# চাইনানা ইন্দিয়া য়াওদনা লৈবাক ১৯ গা লোয়ননা অহানবা ইন্দিয়ন ওসিন রিজন মিট পাঙথোকখ্রে



বৈজিং, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): চাইনানা ইন্দিয়া য়াওদনা ইন্দিয়ন ওসিন রিজনগী লৈবাক ১৯ গা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগা মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা চাইনা ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্ট কো ওপরেসন এজেন্সি (সি আই দি সি এ) না থাসিগী ২১ দা দিভলপমেন্ট কো ওপরেসনগা মরী লৈননা চাইনা-ইন্দিয়ন ওসিন রিজন ফোরমগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈবাক ১৯ না শরুক য়াখি হায়না ওর্গনাইজেসন অসিনা থাদোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুগী মতুং ইন্না মীফম অদু 'স্যের্দ দিভলপমেন্ট থিওরি এন্দ টেক্টিস ফ্রোম ড পর্সেক্টিব ওফ ড ব্লু ইকনোমিক' হায়বা থিমগী মখাদা হাইব্রিদকী মওংদা য়ুনান প্রোভিন্সকী কুনমিংদা পাঙথোকখি।

ইন্দোনেসিয়া, পাকিস্থান, ম্যান্মার, শ্রী লঙ্কা, বাংলাদেশ, মালদিবস, নেপাল, অফঘানিস্থান, ইরান, ওমান, সাউথ অফ্রিকা, কেনিয়া, মোজাম্বিক, টেঞ্জানিয়া, সিচিলিস, মাদাগস্কা, মাউরিসস, জিবৌটি, ওষ্ট্রেলিয়া য়াওনা লৈবাক ১৯ অমসুং ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজেসন অহুমগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবনি।

ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াদা ইনভাইট তৌখিদে। হৌখিবা চহীদা চাইনানা ইন্দিয়া য়াওদনা কোভিদ ১৯ ভেক্সিন কো ওপরেসনগী মতাংদা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক খরগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখিবনি। সি আই দি সি এ অসি হান্নগী ভাইস ফোরেন মিনিষ্টরশিং অমসুং ইন্দিয়াদা এম্বেসেদর ওইনা লৈরম্বা লুও জাও হুইনা লুচিংলিবনি। ওর্গনাইজেসন অসিগী ওফিসল ৱেব সাইটকী মতুং ইন্না জাও হুইনা সি আই দি সি এগী সি পি সি রুল্লিং কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা লিদরশিপ গ্রুপকী সেক্রেটরিনি।

সি আই দি সি এগী ওফিসল ৱেবসাইটনা হায়রি, মদুদি ওর্গনাইজেসন অসিগী পান্দমশিংগী মনুংদা ফোরেন এক্টকা মরী লৈননা ষ্ট্রেটেজিক গাইদলাইনশিং, প্লান্টশিং অমসুং পোলিসিশিং পুথোকপা, মরু ওইবা ফোরেন এইদ ইস্যুশিংগী মতাংদা এদভাইস পীবা কো ওর্দিনেট তৌবা, ফোরেন এইদকা মরী লৈনবা ৱাফমশিংদা লৈবাক অসিদা রিফোর্ম কয়া পুরক্লবা হোৎনবা অমদি মরু ওইবা পায়খৎফম থোকপা প্রোগ্রামশিং খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী থবক য়েংশিনবা অসি য়াওরি।

চহীসিগী জনুৱারীদা শ্রী লঙ্কাদা খোঙচৎ অমা চৎখিবা মতমদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্টর ৱাং হিনা ইন্দিয়ন ওসিন আইলেন্দ লৈবাকশিং চাওখৎহন্নবগী ফোরম অমা লিংবগী ৱাফম হৌদোকখি। সি আই দি সি এগী মীফম অসি ৱাংনা প্রপোজ তৌখিবা অদুগা মান্নব্রা হায়না হংবদা বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা মেদিয়াদা শেংদোক্লদুনা হায়খ্রে, মদুদি নবেম্বর ২১ গী মীফম অদু ফোরেন মিনিষ্টরনা প্রপোজ তৌরিবা অদুগা মরী লৈনদে। নবেম্বর ২১ গী মীফম অদুদা চাইনানা লৈবাক অসিগা ইন্দিয়ন ওসিন রিজনগী লৈবাকশিংগগী মরক্তা মেরিটাইম দিজাষ্টর প্রিভেন্সন অমসুং মিটিগেসন কো ওপরেসনগী মেকানিজম অমা লিংনবগী ৱাফম হৌদোকখি। অদুগুম্বা মেকানিজম অদুগা মরী লৈননা চাইনানা মথৌ তাবা শেল থুম, মচাক মথুম অমসুং টেক্নিকেল সপোর্ট লৈবাকশিংদা পীননবা শেম শাদুনা লৈ হায়না সি আই দি সি এগী চেরোল অদুনা ফোঙদোকখি।

চাইনানা পাকিস্থান অমসুং শ্রী লঙ্কা য়াওনা লৈবাক কয়াগী পোর্টশিং অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা শেল চাওনা ইনভেষ্ট তৌদুনা ষ্ট্রেটেজিক ইন্দিয়ন ওসিন রিজনদা ইথিল পীননবা কন্না হোৎনরিবনি।

চাইনানা লৈবাক অসিগী মপানদা লিংবা অহানবা মপুং ফাবা নেভেল বেজ অমা ওইনা জিবৌটিদা লৈবাক অসিগী মপুং ফারবা নেভেল বেজ অমা লিংখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী নোংচুপ থংবা সমুদ্র মপানগা মায়োক্নরিবা অরাবিয়ন সীদা লৈবা পাকিস্থানগী গ্বাদরদা হিথাংফম শেমগৎ শাগৎপগা লোয়ননা শ্রী লঙ্কাগী হম্বন কোটা পোর্ট চহী ৯৯ গী লিজ অমদা পায়শিনখ্রবনি।

# রসিয়ানা মখা তানা অনৌবা মিলিটরি ষ্ট্রাইকশিং চথনবা শেম শারি হায়না জেলেন্সকিনা ৱার্নিং তৌখ্রে



কিভ, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): হৌখিবা চয়োলদা রসিয়ানা পাক শন্না মিসাইলগী ষ্ট্রাইক চথদুনা য়ুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মরিমক্কা লোয়ননা অতৈ মরু ওইবা পৱার ফেসিলিটি কয়া গ্রিদকা শম্নহনখিদ্রবা মতুংদা মোস্কোনা ইনৌ নৌনা এয়র রেইদশিং অমদি মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চথনবা শেম শারি অমসুং লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসি খুদোংথীনিংঙাই ওইবা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মহৌশাগুম লৈবাক মীয়ামদা অহিংগী মতমদা ভিদিওগী খুত্থাংদা ৱা ঙাঙলদুনা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি টেররিষ্টশিংনা অনৌবা ষ্ট্রাইকশিং চথনবা শেম শারি হায়বসি ঐখোয়না খঙই। মিসাইল লৈরিমখৈ মখোয়না ঐখোয়দা এটেক তৌবা লেপ্লোই। লাক্লিবা চয়োল অসি ঐখোয়না মায়োক্নরক্লিবা খ্বাইদগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা চয়োলশিংগী মনুংদা অমা ওইরবা য়াই।

ঐখোয়গী দিফেন্স ফোর্সশিংনা শেম শাদুনা লৈরি। ষ্টেট অপুম্বনা রসিয়াগী এটেকশিং মায়োক্নবা শেম শারি। ঐখোয়না পার্টনরশিংগা লোয়ননা ওইরকপা য়াবা ফিভম খুদিংমক খন্ন-নৈনরি হায়না প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না য়ুক্রেনিয়নশিংদা এয়র এলার্টশিং খঙনা লৈননবসু আপিল তৌখ্রে।

প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং ফাওবদা য়ুক্রেনগী লমদম অয়াম্বদা পৱার সপ্লাই পাল্লি নাইনা লেপহনখি। অদুম ওইনমক পৱার সপ্লাইগা মরী লৈনবা ফিভম ইনর্জি ওথোরিটিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙম্লে। ফ্রন্টলাইনশিংদা মরু ওইনা দোনেটস রিজনদা ফিভম খরা লূনা লৈ হায়নসু প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ফোঙদোকখি।

নবেম্বর ২৩ দা রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা মিসাইল এটেক পাক শন্না চথখিবা মতুং নুমিৎ খরনি কান্নরগা প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা ৱার্কিং অসি পীখিবনি। রসিয়ন মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীওই তরাগী পুন্সিসু লোমখিবনি।

য়ুক্রায়িন্সকা প্রাবদাগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুক্রেনগী এন্টি-এয়রক্রাফট দিফেন্স সিষ্টেমশিংনা রসিয়াগী ক্রুজ মিসাইল ৭০ গী মনুংদা ৫১ অমসুং কামি কাজে দ্রোন মঙা কাপথখি।

এটেক অদুনা মরম ওইদুনা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অমদি থর্মেল অমসুং হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক পৱার প্লান্টশিংদা পৱার সপ্লাই মতম খরগী ওইনা তৎহনখি। পৱার ট্রান্সমিসন ফেসিলিটিশিংদসু শোকহনখি। পাক শন্না পৱার সপ্লাই লেপ্পদুনা মরম ওইদুনা ইমুংশিংদা পীবা ঈশিং অমসুং হিট সপ্লাইনচিংবসু শোকখি।

# অল-সবাবকী টেররিষ্টশিংনা মোগাদিসুদা লৈবা হোটেল অমদা লান্দাখ্রে



মোগাদিসু, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): মোগাদিসুদা লৈবা নীংথিনা ঙাক শেল্লিবা বিলারোজা হোটেলদা অল-সবাবকী টেররিষ্টশিংনা থোমজিন্দুনা এটেক চথখ্রে হায়না সোমালিগী কেপিটেল অসিগী পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না খুদক্কী ওইনা মীশি মীনাগী অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

পুলিসকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা তোইনা শীজিন্নবা মতম অয়াম্বদা মী চিন্দুনা লৈবা হোটেল অদুদা অচৌবা বোম অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা পোকখায়খি।

মীশি মীনাশিংগী মশিং পন্দবীদা সোমালি পুলিস ফোর্সকী স্পোক্স পার্সন সাদিক দুদেসেনা লোকেল মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি পুলিস ফোর্সশিংনা বিল্ডিং অদুদগী থোকপা য়াদনা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং অমদি মীচমশিং রেস্ক্যু তৌখি। টেররিষ্টশিংনা হোটেল অদুবু পায়শিন্দুনা থল্লিবদু লোইশিনবা য়ানবগীদমক্তা পুলিসনা হৌজিক ওপরসেন অমা চথরি হায়না দুদেসেনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুবু উহৌবশিংনা ফোঙদোকখিবদা এক্সট্রিমিষ্ট গ্রুপ অদুনা প্রসিদেন্সিএল পেলেসকা নক্লনা লৈবা হোটেল অদুগী গেটতা য়াম্না মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়হনখি। মফম অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীওই অমনা হায়খি, মদুদি মীয়াম্বু রেস্ক্যু তৌননবগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং মফম অদুদা থুংলখি।

মখোয়না হোটেল মনুংদুদা মখা তানা মিলিটেন্টশিংদা খুৎ থোক্লরি। হোটেল মনুংদগী নোংমৈ কাপ্পগী মখোল ঐখোয়না তাবা ফঙখি। চহী তরা হেন্না গভর্ণমেন্ট চিংথুনবা পান্দমগা লোয়ননা লান হৌদুনা লাক্লিবা অল-সবাবকী মিলিটেন্টশিংনা বোমগী এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখিবগা লোয়ননা মখোয়না হোটেল অদুদা পুল্লিবা ওফিসলশিংদা টার্গেট তৌদুনা এটেক অদু চথখিবনি হায়রি।

অফ্রিকন য়ুনিয়ন কন্দিসন মিশন্না এটেক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অমসুং সোমালিয়াগী মীয়ামগীদমক্তা লেপ্লি হায়না ফোঙদোকখি। মখা তাবা মীশি মীনাশিং অমদি লন থুমদা অমাঙ অতাশিং থোকপা থিংননবা রেস্পোন্স থুনা পীখিবগীদমক মিশন অসিনা সোমালি সেক্যুরিটি ফোর্সপুসু থাগৎখি।

ওফিস পায়বা হৌরবা মতুং থা অহুম কান্নরগা হৌখিবা ওগষ্টতা প্রসিদেন্ট হাসন সেখ মোহামুদনা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা মপুং ফাবা লান চথগনি হায়না লাউথোকখিবনি। মদু মোগাদিসুদা লৈবা মীয়াম্না পাম্নরবা হোটেল অমদা শাথিরবা এটেক অমা চথদুনা মীওই ২০ গী মথক্তা শিহনখিবা মতুংদনি। থা অনী কান্নরগা মোগাদিসুগী জঙ্কসন অমগা নক্লনা কার বোম এটেক অনী চথখিবদসু য়ামদ্রবদা মীওই ১০০ শিখ্রবনি।

# কোভিদনা মরম ওইদুনা কম্বোদিয়াদা মীওই ৪৬০,০০০ লায়রবগী পনখৈ মখাদা হিংলি



নোমপেন, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): কোভিদ ১৯ পেন্দামিক্না মরম ওইদুনা কম্বোদিয়াদা মীওই ৪৬০,০০০ লায়রবগী পনখৈ মখাদা হিংলি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা রিলিজ তৌবা ৱার্ল্ড বেঙ্ককী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

'পোর্ভটি এসেসমেন্ট রিপোর্ট ফোর কম্বোদিয়া, টুৱার্দ এ মোর ইনক্লুসিব এন্দ রিজিলিয়ন্ট কম্বোদিয়া', হায়না মমিং থোনবা রিপোর্ট অদুনা হায়রিবদি কুমজা ২০০৯ অমসুং কুমজা ২০১৯ গী মরক চহী তরাগী মতমদা কম্বোদিয়াগী লায়রবগী চাং চাদা ৩৩.৯ ওইরম্বদগী চাদা ১৭.৮ তা হন্থখিবগা লোয়ননা মীওই মিলিয়ন ২ রোম লায়রবগী পনখৈদগী হেনগৎখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তানা হায়, কুমজা ২০২০ দগী লায়রবগী চাং পার্সেন্টেজ পোইন্ট ২.৮ হেনগৎলক্তুনা মীওই ৪৬০,০০০ লোম লায়রবগী ইনকম থ্রেসোল মখাদা লৈখ্রে।

ৱার্ল্ড বেঙ্ক কন্ট্রি মেনেজর ফোর কম্বোদিয়া মারিয়ম সালিমনা হায়রি, মদুদি কুমজা ২০০৯ দগী ২০১৯ ফাওবদা লায়রবগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইনা মায় পাকখি হায়বা য়ারবসু মশিং য়াম্লবা ইমুং কয়া মখা তানা সেভিং লৈতবমখৈ লায়রবগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লৈরি।

মসিনা তাক্লিবদি কোভিদ ১৯ না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিনা লায়রবা কোকহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে হায়বসি উৎলে। মসি মরু ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা পাক্তক্লনা মীয়ামগী থবক তৎনরকপা অমদি খুশুমলশিং হন্থরকপননি হায়না মহাক্না রিপোর্ট অদু রিলিজ তৌবদা ফোঙদোকখি। পেন্দামিক্না শোকহল্লবা লৈবাক অসিগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফিভমদা লাকহনবা ঙম্নবা হেন্না ইনক্লুসিব অমসুং রিজিলিয়ন্ট ওইনা রিকোভরিগী খোঙথাংবু শৌগৎনবা কম্বোদিয়ানা মখা মখা কয়াগী পোলিসি এক্সনশিং খন্নবা মথৌ তাগনি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

রিপোর্ট অদুনা মখা তারদুনা রিকোভরিগী থৌরাংশিং অদুদা টার্গেটেদ কেস ট্রান্সফরশিং, সোসল প্রোটেক্সনগী থৌরাংশিং ইফেক্তিব ওইহন্নবগী খোঙথাংশিং অমদি হেল্ঠ অমসুং এদুকেসনদা ইনভেষ্ট তৌবা য়াওরি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অসিগী মীশিং মিলিয়ন ১৬ নি। কিংদম অসিগী নেসনেল পোভর্টি লাইন অসি মীওই অমগী নোংমদা রিএল ১০,৯৫১ নত্ত্রগা দোল্লর ২.৭ নি হায়না ৱার্ল্ড বেঙ্কনা রিপোর্ট অদুদা পল্লি।

# ইরানগী পার্লিয়ামেন্টনা এস সি ওদা য়াওনবগী বিল এপ্রুভ তৌখ্রে

টেহরান, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ইরানবু সাংহাই কো ওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সি ও) গী মেম্বর অমা ওইহনবা য়ানবগী বিল অমা ইরানিয়ন পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুভ তৌখ্রে হায়না সেমি-ওফিসল মেহর ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না বিল অদু লো মেক্কর অয়াম্বনা শৌগৎতুনা এপ্রুভ তৌখি। নেসনেল সেক্যুরিটি অমসুং পার্লিয়ামেন্টকী ফোরেন পোলিসিগী স্পোক্সমেন অবোল ফাজল অমাৱিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা ইরানগী পার্লিয়ামেন্টনা লৈবাক অসিবু এস সি ওগী মেম্বর ওইবগী অয়াবা পীখিবা অদুদা ফোরেন পোলিসিগী লমদা লৈবাক অসি মল্টি লেটরিএলিজমদা থাজবা লৈ হায়বা মেসেজ অমা য়াওখি।

পার্লিয়ামেন্টকী খোঙথাং অদুবু ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর হোসেন অমির-অব্দোলাহিয়ন্না ত্বিটরগী খুত্থাংদা তরাম্না ওকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ইস্লামিক রিপব্লিক ওফ ইরানন্না এস সি ওদা য়াওবগী ৱাফমগা মরী লৈনবা বিল পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা মপুং ফানা শৌগৎখিবা অসিনা রিজনেল, ইন্টরনেসনেল দিভলপমেন্ট অমসুং ইকনোমিক কো ওপরেসনদা লৈবাক অসিনা অচেৎপা মীৎয়েং থম্মী অমদি এসিয়াগী চাওখৎ থৌরাংশিংদা লৈবাক অসিনা মপুং ফানা শরুক য়াবা পাম্মী হায়বদু উৎলি।

মল্টিলেটরিএলিজমগী ৱাখল্লোন অসি চহীচা অসিদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। কুমজা ২০২১ গী সেপ্টেম্বরদা টাজাখকিস্থানগী দুসানবেদা পাঙথোকখিবা এস সি ওগী লুচিংবশিংগী ২১ শুবা সম্মিটতা ইরানবু ওবজার্বর অমগী ষ্টেটসতগী এস সি ওগী মপুং ফাবা মেম্বর অমা ওইনা লৌশিনবগী ৱারেপ লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং মসিগী মীচংশিংনা ইরানদা খাইবুং তান্নবা অমদি লৈবাক অসিবু মচেৎ তানবা হোৎনরকপা খুদিংমক লৈবাক অসিনা মপুং ফানা মায়োং য়াগনি হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা ইরানগী ইস্লামিক রিভোলুসন গার্দস কোর (আই আর জি সি) গী চীফ কম্মান্দরনা ফোঙদোকখ্রে। ইরানবু তাথীবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা চথরক্লিবা ফত্তবা খুজিল থৌরাং পুম্নমক অরেম্বা তাগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখ্রে।

# পিছ একোর্দ পুরক্লবা মতুংদা ইথিওপিয়াগী টিগ্রেদা অহানবা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং থুংখ্রে

অদিস অবাবা, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): হন্দক্তা পিছ একোর্দ সাইন তৌনখ্রবা মতুংদা ইথিওপিয়াগী কনফ্লিক্ট থোক্লিবা টিগ্রে রিজনদা অহানবা রাউন্দগী হ্যুমেনিটরিয়ন মতেং থুংখ্রে হায়না ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

ইথিওপিয়ন নেসনেল দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্ট কম্মিসন (এন দি আর এম সি) না হায়, গভর্ণমেন্টনা রোদ কোরিদোর মরি অমসুং এয়র ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমগী খুত্থাংদা টিগ্রেদা লৈবা অৱাবা নঙলবা মীওইশিংদা হ্যুমেনিটরিয়ন সপ্লাইশিং য়েন্থোকপগী থবক হেন্না কনশিল্লে। এন দি আর এম সিগী মতুং ইন্না অহানবা রাউন্দগী হ্যুমেনিটরিয়ন সপ্লাই খক্তদা লমদম অদুগী মীওই ৪৫০,০০০ হেনবদা গেহু অমসুং মচি ওইবা চিঞ্জাক ক্বিন্টল ৯০,০০০ হেন্না য়েন্থোকখ্রে। নেসনেল রিলিফ বোদি অসিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি হ্যুমেনিটরিয়ন সপ্লাইশিং য়াওবা অচৌবা ভেহিকল ৬০ হেন্না লমদম অদুগী মফম কয়াদা থুংখ্রে।

ইথিওপিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং লমদম অদুগী দি ফেক্টো রুল্লর ওইরিবা টিগ্রে পিপলস লিভরেসন ফ্রন্ট (টি পি এল এফ) কী সেনিয়র কম্মান্দরশিংনা কনফ্লিক্ট থোক্লিবা ইথিওপিয়াগী অৱাং থংবা লমদম অদুদা হ্যুমেনিটরিয়ন মতেংশিং ফঙহনবদা খুদোংচাহনবগী ৱাফম য়ানখি। অফ্রিকন য়ুনিয়ননা ৱাতেমদুনা নাকল অনীগী মরক্তা এগ্রিমেন্ট অদু পুরকখিবনি। কনফ্লিক্ট অদুগী পার্টিশিংনা টিগ্রে অমদি য়ুমথংনরিবা লমদমশিংদা লৈবা অৱাবা নঙলবা মীওই পুম্নমক্তা অয়েৎ অপন থোকহন্দনা তেঙবাংগী পোৎলমশিং য়ৌহনবা অমদি হ্যুমেনিটরিয়ন এইদ ৱার্করশিংগী চখোক চৎশিনদা খুদোংচাবগী ৱাফম য়ান্নখি। মখোয়না এইদ ৱার্করশিং অমসুং হ্যুমেনিটরিয়ন ওর্গনাইজেসনশিংদা সেক্যুরিটি গরেন্টি পীবা অমদি নবেম্বর ২ দা নাকল অনীনা খুৎয়েক পীনখিবা পার্মেনেন্ট সেসেসন ওফ হোষ্টিলিটিস এগ্রিমেন্টগী প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না মীচমশিংবু প্রোটেক্সন পীবগী ৱাফমসু য়ানখি।

# লাইট আর্মদ হেলিকোপ্টরশিং মাস প্রদক্সন তৌনবগী অয়াবা পীখ্রে

সিওল, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়ানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাইট আর্মদ হেলিকোপ্টর (এল এ ঐচ) মশিং য়াম্না পুথোকপগী থৌরাং অমা এপ্রুভ তৌখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী আর্মস প্রোক্যুমেন্ট এজেন্সিনা হায়রি।

দিফেন্স এক্যুজিসন প্রোগ্রাম এদমিনিষ্ট্রেসন (দিএপিএ) পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, ৱোন ট্রিলিয়ন ৫.৭৫ (দোল্লর বিলিয়ন ৪.৩) গী প্লান্ট অদু কুমজা ২০২০ দগী ২০৩১ ফাওবদা লৈবাক অসিদা পুথোকচবা এল এ ঐচ মশিং য়াম্না শানবগীদমক্তনি। মদুনা মতম কুইরক্লবা এমদি অমসুং এঐচ-১এস কোব্রা এটেক হেলিকোপ্টর ৫০০ গী ফ্লিটকী মহুৎ শীনগনি।

# চাইনানা কোল্ড ৱেবকী অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা এলার্ট ইস্যু তৌখ্রে টেম্পরেচর কা হেন্না হন্থরক্লগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখ্রে



সিওল, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): চাইনানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোল্ড ৱেবকী অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা এলার্ট ওইরিবা ওরেঞ্জ এলার্ট অমুক হন্না ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী পাক চাওরবা মফম কয়াদা শাবগী চাং কা হেন্না হন্থরকপগা লোয়ননা উন, নোং অমসুং লৈঙোই পুবা নুংশিৎশিং শিৎলক্কনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখি।

নেসনেল মেটরিওলোজিকেল সেন্টরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সিনা হায়, নিংথৌকাবদগীনা য়ুমশকৈশ ফাওবদা ময়াই থংবা অমসুং নোংপোক থংবা চাইনাগী মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১০ হন্থদুনা সেলসিয়স দিগ্রি ১৬ তা লৈবা য়াই।

মখা তানা সেন্টর অসিনা হায়রি, মদুদি লৈঙোই পুবা অকনবা নুংশিৎশিং লৈবাক অসিগী অৱাং অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা মফমশিংদা শিৎচিল্লকপা য়াই। ইন্নর মাঙ্গোলিয়া, সাঞ্চি, জিলিন, সন্দোং, জিয়াংসু, গুইজৌ অমসুং হুনানগী মফম খরদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১৬ তগী হেন্না ফাওবা হন্থরকপা য়াই। লাউনিং, জিলিন অমসুং হৈলোংজিয়াং প্রোভিন্সশিংদা উন কন্না তাবগা লোয়ননা সিচুৱান, চোংতিং, হুবৈ অমসুং গুইজৌগী মফম কয়াদসু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদগী শগোলশেল ফাওবা উন য়াওবা নোং তাগনি।

সেন্টর অসিনা হায়রি, মদুদি জিয়াংজি, জেজিয়াং অমসুং হুজিয়ান প্রোভিন্সশিংদা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা য়ুমশকৈশদগী শগোলশেল নুমিৎ ফাওবা গুইজৌ, হুনান অমসুং জিয়াংসিদা অইংবা নোং চুবা য়াই। নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিলদা হুবৈ প্রোভিন্সকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা কোল্ড ৱেবকা মরী লৈননা য়েল্লো এলার্ট ইস্যু তৌখি। অৱাং থংবা বসাং এরিয়াদা শাবগী চাং য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সেলসিয়স দিগ্রি মাইনস ৩০ দা হন্থরকপা য়াই হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

সেন্টর অসিনা মীয়ামদা মশা লুম্না লৈনবা অমদি অইংবা নোং চুবগুম্বা নোং চীংগী ফিভমশিংগী মরক্তা লম্বী চখোক চৎশিনদা থোইদোক্না চেকশিন্নবসু পাউতাক পীখ্রে। চাইনাদা কাখল মরি অমদি কল্লর-মরিগী কোদকী ৱেদর ৱার্নিং সিষ্টেম অমা চৎনদুনা লাক্লি। অঙাংবনা খ্বাইদগী শাথিবা ৱেদর রিপ্রজেন্ট তৌরি অমসুং মথংদা ওরেঞ্জনা অনীশুবা খ্বাইদগী ৱাংবা এলার্টনি। য়েল্লো অমসুং ব্লুনা মথংশিংনা অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা লেভেলগী খ্বাইদগী ৱাংবা এলার্টশিং ওইরি।

# 'রসিয়ানা য়ুক্রেনগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা চথরিবা এটেকশিং জেনোসাইদকা মান্নে'

মোস্কো, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): রসিয়াগী ফোর্সশিংনা লানগী চৈথেং নঙলবা য়ুক্রেনগী মফম শীন থুংনা মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা লেপ্তুনা এটেক চথরিবসি জেনোসাইদকা মান্নে হায়না য়ুক্রেনগী প্রোজিক্যুটর-জেনরেল এন্দ্রি কোষ্টিননা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তারদুনা মরু ওইবা ফেসিলিটিশিংদা চথরিবা ষ্ট্রাইকশিং অদু য়ুক্রেন অপুম্বদা টার্গেট তৌদুনা চথবা এটেকনি অমসুং কিভপু নমদুনা সরেন্দর তৌহন্নবা হোৎনবনি হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিত্তা বিবিসিদা ৱা ঙাঙলদুনা হোষ্টিননা হায়খি, মদুদি ইনর্জি গ্রিদতা এটেক কয়া চথবদা নত্তনা য়ুক্রেনগী অঙাং ১১,০০০ নম্ফুদা রসিয়াদা চৎহনখ্রে।

টোপ ওফিসল অসিনা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা য়ুক্রেনদা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবদগী মহাক্কী ওফিসনা ৱার ক্রাইম অমসুং এগ্রেসনগী ক্রাইম ৪৯,০০০ হেনবগী রিপোর্টশিং ইনভেষ্টিগেসন চথদুনা লাক্লি। রসিয়ন ফোর্সশিংনা পায়শিল্লিবা য়ুক্রেনগী সেটলমেন্ট খুদিংমক্তা মান্নবা মওংগী কন্দক্ট উবা ফঙই হায়না মহাক্না ইন্টরভিয়ু অদুদা পনখি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনগী মায়োক্তা লান চথরকখিবদগী থোক্লিবা ৱার ক্রাইমশিংগী মতাংদা কোষ্টিননা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনগী কোর্টশিংনা মীওই ২৬০ মরাল শীখিবগা লোয়ননা ভর্দিক্ট ১৩ ইস্যু তৌখ্রে।

য়ুক্রেনদা চথরিবা লান অসিগীদমক রসিয়াবু থৌদাং য়াহন্নবগীদমক লান অসিবু য়াদবা মালেমগী লৈবাক মচা তাবা লৈবাকশিংনা শৌগৎপা ইন্টরনেসনেল এদহোক ট্রাইবুনেল অমা শেম্নবসু মহাক্না আপিল তৌখি হায়রি।

# নেটনয়াহুনা অনীশুবা ফার-রাইট পার্টিগা কোল্লিসনগী দিল খুৎয়েক পীনখ্রে

জেরুসালেম, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরগদবা বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী লিকুদ পার্টি অমসুং ফার-রাইট নোম পার্টিনা কোল্লিসনগী দিল অমা খুৎয়েক পীনখ্রে।

খোঙথাং অসিগা লোয়ননা নেটনয়াহু ইজরেলগী পুৱারীদা খ্বাইদগী মপুং ফাবা রাইট-ৱিং গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মায়কৈদা খোঙ থাংজিনবা হৌখ্রে। এগ্রিমেন্ট অদুগী মখাদা নোমগী লুচিংবা অমসুং মসিগী অমত্তা ঙাইরবা লো মেক্কর অবি মাউসনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা দিপ্যুটি মিনিষ্টর অমা ওইনা লৈগনি অমসুং নেসনেল জিৱিষ্ট আইদেন্টিটি ওথোরিটি কৌবা অনৌবা এজেন্সি অমা পায়গনি হায়না লিকুদ পার্টিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি মাউসনা হান্নগী সোভিএট রিপব্লিকশিংদা লৈরিবা জিয়ুশিং মখা তানা কন্টেক্ট তৌগদৌরিবা অমসুং মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎতুনা ইজরেলদা হোংহন্নবা শিন লাংগদবা গভর্ণমেন্টগী ব্যুরো অমা ওইরিবা নেটিবকী চার্জসু পায়গনি।

মাউস অসি ইজরেলগী জিৱিষ্ট আইদেন্টিটি শৌগৎপা লুচিংবা অমা ওইবদা নত্তনা য়ুনিভর্সিটিশিং, কন্সর্টশিং অমসুং পব্লিক ট্রান্সপোর্ট য়াওনা মীয়াম তিনবা মফমশিংদা নুপীশিং অমসুং নুপাশিং খায়দোকহল্লিবা জিৱিষ্ট রিলিজস লোশিংসু শৌগৎলি। মসি নবেম্বরগী ময়াই চনবা শরুক্তা নেটনয়াহুবু অনৌবা কোল্লিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী মেন্দেদ পীখ্রবা মতুংদা লিকুদ পার্টিনা শেমগদৌরিবা অনীশুবা কোল্লিসন গভর্ণমেন্টনি।

# পলেষ্টাইনগী লৈনুংগী ঈশিং শরুক অহুম থোকপগী অনী ফাজিল্লি হায়না ইজরেলবু মরাল শীখ্রে

রমালা, নবেম্বর ২৮ (এজেন্সী): পলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর মোহম্মদ ইষ্টায়েনা ইজরেলবু পলেষ্টাইনগী লৈনুংগী ঈশিং শরুক অহুম থোকপগী অনী ফাজিন্দুনা ইজরেল্লি সিটিশিং অমসুং সেটলমেন্টশিংদা থাজিল্লি হায়না মরাল শীখ্রে।

মহাক্না ৱাফম অসি পলেষ্টাইনন্না শীন্দুনা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মরিশুবা আরব ৱাটর কনফরেন্সকী মাঙওইননা মেদিয়া ব্রিফিং অমদা ফোঙদোকখিবনি। কনফরেন্স অদু 'আরব ৱাটর সেক্যুরিটি ফোর লাইফ, দিভলপমেন্ট এন্দ পিছ' হায়বা স্লোগানগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা হায়না ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না নুমিৎ নীনিগী কনফরেন্স অদু য়ুমশকৈশ নুমিত্তা ইজিপ্টকী কেপিটেল কাইরোদা ওফিসল ওইনা হাংদোক্কনি।

ষ্টায়েনা হায়খি, মদুদি ইজরেলনা পলেষ্টাইনগী ক্যুবিক মিটর মিলিয়ন ৮০০ গী লৈনুংগী ঈশিংগী শরুক্তগী ক্যুবিক মিটর মিলিয়ন ৬০০ হুদুনা মসিগী সিটিশিং অমসুং সেটলমেন্টশিংদা থাজিল্লি। চাংচৎতা ইজরেল্লি অমনা নোংমদা ঈশিং লিটর ৪৩০ শীজিন্নৈ অদুগা পলেষ্টিনিয়ন অমনদি শুপ্নগী লিটর ৭২ দমক শীজিন্নদুনা মালেমগী ওইবা চাংচৎ লিটর ১২০ দগী য়াম্না হেন্না হন্থরি হায়না পলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি। কুমজা ১৯৬৭ কী মতুংদা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা পলেষ্টিনিয়নশিংগীদগী হেন্না লুনা ঈশিংগী ৱেলশিং তৌদুনা লৈনুংগী ঈশিং অয়াম্বা কন্ট্রোল তৌবা হৌখিবনি।